ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ত্রিপুরা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশননা লৌবা চহী অসিগী মধ্যমিক এগজামদা অপূনবা মার্ক ৫০০গী মনুংদা ৪৮২ ফংদুনা ৮শুবা পোজিশন ফংলকখ্রবী মহেরোয় লাঙ্গোলজম চনু বিথিবু ত্রিপুরাদা তরাম্না ওকপা


থম্মোয় পাউদম : মীনা খঙবীদবা অফাওবা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ এরোপ্লেনবু পাইহনবা ঙমগনি হায়না থাজরিবা ...

'মীহুৎশিংগী থৌনা ফৃদোকপা' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'খ্বালতাবী থৌদোক্কী ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট...

ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং ইনভাইরনমেন্টেল পর্ফোর্মেন্সতা... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ কে এ ৱাই ও ট্রোফি : ইমোইনু এফ সীনা...


হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকরনা লুচিংদুনা জজ অনী অমসুং রেজিষ্ট্রার জেনরেল য়াওনা ময়াং ইম্ফালগী প্রভাবতি কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা




Vol. 49, Issue No. 078 | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 18, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রক্লবসু মণিপুরদা মৱা লৌরমদ্রে

# চহী ৪২গী মমাঙদা গ্রুপ 'সী' ১সুং 'দি' গী রিক্রুটমেন্টদা হোম গার্দশিংবু ৱেটেজ/প্রিফরেন্স পীনবা খঙহল্লকখ্রবসু লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিংনা মতম-মতমগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা ওর্দর/ওফিস মেমোরেন্দম/নোটিফিকেশননচিংবা থোক্কুনা মরী লৈনবা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা মতম চানা অইবা চেরোলশিং পীদুনা খঙহল্লক্লবসু মতম কুইনা শাংনা মণিপুর লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্তবা অমসুং নমশিন্দুনা থম্বগী থৌদোক খরগী মনুংদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৮৩গী নবেম্বর ৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি আই এস অহলুৱালিয়ানা ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্কুনা খঙহনবদা নত্তনা মসিগী মখা তারকপদা কুমজা ২০২৩ অমসুং ২০২৪দা



ফাওবা রিমাইন্দর লেটরশিং থারকখ্রবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না মিনিষ্ট্রি অসিনা পীরকখিবা ওর্দর/ওফিস মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে।

খ্বাইদগী ঙকপা থৌদোক অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মসনা নবেম্বর ৫, ১৯৮৩দা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা হোম গার্দস অমসুং সিভিল দিফেন্সকী ভোলন্টিয়রশিংবু মাগী-মাগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং অদুগী গ্রুপ সী অমসুং দিগী পোষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্ট তৌবদা 'ৱেটেজ/প্রিফরেন্স' পীগদবনি হায়না খঙহল্লকখিবনি।

কুমজা ১৯৮৩দা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ৱাঙ্গোইগী পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী মীমান্নদ্রবা চেসম অব্দুল কাদির হাৎলগা নম্বুল তুরেল মপান্দা ফুমজিল্লম্লে

### প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, গভর্ণর য়াওনা অতৈ ওফিশলশিং অমসুং ফোরমশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা ময়াং ইম্ফাল পি এসকী জ্যুরিসদিক্সনগা থংনরিবা পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী থা অসিগী ১০দগী মফম খঙদনা লৈরকখিবদগী ৱাঙ্গোই পি এসতা 'মিসিং রিপোর্ট' অমা ফাইল তৌরক্কুনা খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরকখিবা পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী মীমান্নদ্রবা চেসম অব্দুল কাদির এলিয়জ চেসম অচৌবা (২৯) অপোকপা চেসম অব্দুল জলিমগী হকচাং হিয়াংথাংদগীনা লোক্তাক তম্না চেল্লিবা নম্বুল তুরেলগী শামুরৌ মখা লৈকায় মনীং মপাগী



লৈখিদ্রবা চেসম অব্দুল কাদির (ফাইল ফোটো)

তুরেল খোংবানদা হাৎলবা মতুংদা ফুমজিন্দুনা থল্লম্বদগী পুলিসনা ফংবা ঙমখ্রে।

### খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরকপদা পুলিসনা লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে

### অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-২৭ ক্যু আর টি ব্রাঞ্চ মতম পূম্বগী ওইনা থিংজিনগদবনি : জে এ সী

থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল্লি মর্দর ওফ চেসম অব্দুল কাদির এলিয়জ অচৌবা (পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়) না থোরকপা চেরোল অমদা মহাক থা অসিগী ১০গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা ইমুংদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। অদুবু ঙসি শামুরৌ মখা লৈকায় মনীংগী মপা ওইরপ্না নম্বুল তুরেলগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর : কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ৩৪ শুরে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪ ফাওবদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্টনা পোজিটিভ কেস ৮ খক্তমক থেংনখ্রবসু ঙসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোরকপা কোভিদ-১৯গী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না অপূনবা থেংনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ৩৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদগী ইহান হান্না পোজিটিভ ওইরকখিবী নুপীমচা অদুদি হোম আইসোলেশন তৌদুনা লৈরকপদগী ফগৎলক্কুনা দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা অপূনবা পোজিটিভ কেস ৩৪ লৈরি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি বিষ্ণুপুরদা ৪, ইম্ফাল ইষ্ট ৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২, ককচীং ১ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবনি হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ২৪ খক্তমক থেংনখিবদু ঙসিগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৮ পূন্না অনৌবা পোজিটিভ কেস ১৪ থেংনবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরদা থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ৩৪ শুরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২০দা লায়না অসি মণিপুরদা য়ৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ১,৪০,০৭৪ শুরে অদুগা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,১৪৯ শুরে হায়রি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ঙরাং গভর্ণরনা রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা লায়না অসিগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোক্কুনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখিবনি।

### অহমেদবাদ প্লেন ক্রাশ

## হকচাং ১৩৫ মশক খঙদোক্লে, ১০১ খূৎশিন্নখ্রে, ঙাম্থোই অমসুং লামনুঙ্থেমগী হকচাং মশক খঙদ্রি

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা গুজরাটকী অহমেদবাদতগী লন্দনগী গেটৱিক এয়রপোর্ট তম্না পাইখৎলকপদা ঙাইহিরিঙৈদা নক্না লৈবা বি জে মেদিকেল কোলেজগী হোষ্টেলগী বিল্ডিংদা থোমজিনবদগী কাইদুনা পেসেঞ্জর ২৩২, ক্রু মেম্বর ১২গী মনুংদগী পেসেঞ্জর অমখক হিংহৌরগা অতৈনা লৈখিদবগী মনুংদা ঙসি ফাওবদা দি এন এ টেষ্টকী মতেংনা হকচাং ১৩০গী মশক-মমিং খঙদোকপা ঙমখ্রে অদুগা হকচাংশিং অসিগী মনুংদগী ১০১ লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি ঙাম্থোইগী অপোকপা নন্দেশকুমারগা পোকমিন্নবা ময়াম্বা কে সনাতোম্বদা পাউচে অসিনা টেলিফোন তৌদুনা হংখিবদা ঙাম্থোই অমসুং লামনুঙ্থেম সিংসনগী হকচাংশিংদি ঙসি নুমিদাং ফাওবদা মশক-মমিং খঙদোকপা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক হয়েং অয়ূক ফাওবগী মনুংদদি শোয়দনা খঙদোকপা ঙল্লগনি হায়না হকচাংশিং অসিবু থল্লক্লিবা অহমেদবাদকী হোস্পিটালগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মখোয় অনীগী হকচাং মশক খঙদোক্লবগীদমক ঙাম্থোইগা পোকমিন্নবা মচে গিতাঞ্জলি অমসুং লামনুঙ্থেম সিংসনগী মচিল মনাওদগী দি এন এগী সেম্পলশিং লৌখ্রবনি।



জুন ১৮গী থৌরম অমদা মীতৈ পাঙলশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবা (ফাইল ফোটো)

## জুন ১৮ : মীয়াম্না ঈ কৎপীয়ু : ওবজার্ভেশন কম্মিটি

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অমসুং শোক্কুনা লৈহৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪রক শুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরম নুমিৎতা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মীয়াম হুপ্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্মীন্নসি হায়না থৌরম অসিগী ওবজার্ভেশন কম্মিটিগী কনভিনরনা পাউজেল্লক্লি।

লোয়ননা মীয়াম্না অথু-অকায়গী শীজিন্নবদা অৱাবা মায়োক্নদনবা চহী খুদিংগী পাঙথোরকপগুম হয়েং কেক্রুপাৎ, রিমস অমসুং জেনিমসতা ব্লদ দোনেশনগী কেম্পশিং পাঙথোক্কনি। মীয়ামসু লেঙবীরক্কুনা ঈ কৎপদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।






### কে সী পিগী তাবুংবা মৈতৈনা ৱাফম খরা থল্লক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৭ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী ফাইনান্স অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি তাবুংবা মৈতৈনা ৱাফম খরা থল্লক্লি। মহাক্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী উপাধি অমসুং শেলগী মনা ফংগদবশিং লাউথোক্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা লম্বয়াদা থোইদোক হেন্দোক্লা খুদোল তৌবীরবা মীওইশিংদা পীবা তোঙান তোঙানবা উপাধি অমসুং শেলগী মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লে।

পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এলাংবম...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ জষ্টিসনা লুচিংদুনা প্রভাবতি কোলেজগী রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকরনা লুচিংবা কোট অসিগী লুচিংবা মসলসাগীসু এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেন ওইরিবা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এ বিমোল অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বর য়াওবা টিম অমনা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা ইনমেটশিংগা হকথেংনা ৱারী শানখিবদা নত্তনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা জুম্বো বোক্স, দবল ফোলদিং মোস্কিটো নেট, লেম্পকা কোন্নবা টোর্চ লাইট, রেদিও, দাইপরস, বকেট, মগ, অঙাংগী শঙ্গোম, সেনিটরি পেদ, সাপোন, ফি শুনবা সাপোন অমসুং শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিংগী মনুংদা ফুটবোল, বোল্লিবোল, বেদমিন্টন, থৌরী চোংবী অমসুং অঙাংগী শান্নপোৎশিং য়াওখি।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মেদিকেল কেম্প অমসু লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখি।

রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংগা ৱারী শানরদুনা চীফ জষ্টিসনা লিগেল সর্ভিসেস ইন্সটিট্যুশনশিংনা মীয়ামদা অচুম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি হায়রদুনা অখন্ননা খুন্নাই অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ফেসবূকতা অরানবা পাউ শন্দোক্লুবা ১ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৫দা ফুবালাদা নোংমৈ কাপ্লে হায়দুনা ফেসবূকতা অরানবা পাউ শন্দোক্লুবনি হায়বা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৩ মনীং লৈকায়দগী রবিকান্ত কোঞ্জেংবম (৩৪) কৌবা মীওই অমা ঙসি পুলিসনা ফারে হায়রি।

### কে সী পি-পি দল্লিয়ু জি ২ ফারে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি নিংথৌখোং খা খুনৌদগী কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী মীওই অনী ফারে। মখোয়দগী পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল ফোন মরি ফংলে হায়রি।

ফারবশিংদি নম্বোল লৌরেম্বমদগী হৌজিক্না নিংথৌখোং খা খুনৌদা লৈরবা খোমদ্রাম জয় এলিয়জ খাগেম্বা (৫১) অমসুং ৱাঙ্খু মমাঙ শাবলদগী মাইবম মেমচা (৪৯) নি হায়রি।

## লৈঙাক্কী থবক্কা খল্লুদ্রে, চা য়োনবনা ইমুং পুবা ঙল্লে : প্রেম



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পীকচরবসু লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই লাখ-লাখনা খুজিং ওইদুনা লৈরকপদগী লাইরিক হৈরবা মীওইশিংবু লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদা মখোয়গা চানবা থবক পীবা ঙমদবদা নত্তনা প্রাইভেট সেক্টরশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম সী পি সী আরগী মীহুৎশিংনা গভর্ণর উনদুনা ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলদ্রেন চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উনদুনা ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা 'ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলদ্রেন' চৎনহনবীনবা অমসুং অঙাংশিংগী নৎত্রগা চাইল্ড কোভিদ ক্যের সেন্টর থম্বীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

কম্মিশনগী চেরোল অমনা হায়, মীহুৎ কাঙবু অদুনা হীরম অনীসিগী মতাংদা য়াম্না মচা খায়না গভর্ণরদা হায়জখিবগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলদ্রেন, ২০২৫বু অথুবা মতমদা চৎনহন্নবা গভর্ণর ইন কাউন্সিলগী মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রদুনা করিগুম্বা এক্ট অসি মণিপুরদা চৎনরবদি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অঙাংশিংগীদমক পোলিসি অসি চৎনবা মণিপুরনা অহানবা ওইগদৌরিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা খঙহৌদনা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেসশিং থেংনরকপগা ইরোয়ননা লায়না অসিনা অঙাংশিংবু নাহল্লক্লবদি লায়েংনবা পেদিয়াত্রিক কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা তোঙান্না থম্বীনবা গভর্ণরগী মীৎয়েং চিংশিনখি হায়রি। দেলিগেশন অদু কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন কে প্রদিপকুমারনা লুচিংখিবনি।

HL-B/9641/18